# মণিপুরদা ইমোইনু ঈরাৎপা অমসুং মসিগী নুংগী ওইবা ব্রাখল্লোন

- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -



*চহী* খুদিংগী মণিপুর তম্পাক্তা লৈরিবা মৈতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংদা ব্রাকচীং থাগী ১২নি পানবদা ইমোইনু ঈরাৎপগী থৌরম পাঙথোকই। ইচম চম্বা মীৎয়েংদা য়েংবা তারবদি থৌরম অসিগী পান্দম অসি লৈবাক্কী অমদি লন্নাই ইমুং কয়ানা চাকহোঙ ঙাহোঙনা ব্রাত্ত-পাদনা নুংঙাই-য়াইফনা পানবা ঙম্নবগীদমক ইমোইনু ইমাগী মফমদা থৌনীজবনি। অদুবু নুংগী ওইবা অচেৎপা ব্রাখল্লোন অদু য়াম্না কূপ্না নৈনরবদি থৌরম অসিগা মীওইবগী লমচৎ শাজৎ, চৎনরোল পরম কয়া অমদি অরুবা য়ূম্বানলোনগী শক্তক কয়া কায়দনা থম্নবা অমদি মদুনা খুন্নাই অসিবু ফিদম্ন ফম ওইবা মওং অমা শাগৎনবগী পান্দমলোমদা য়াম্না নকশিন্না লৈ হায়বা য়াই। মরম অদুনা থৌরম অসিবু তরাই তরাইনা লৌবা চুমদে। মসি মৈতৈ ফুরুপকী অশেংবা শক্তম অমসুং নাট কলচরগী তরু-তরুবা মশক উৎপগা লোয়ননা হৌন-লোনচৎ শেমগৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা থৌরম অমনি হায়বা য়াই।

থৌরম অসি করম্বা মতমদগী পাঙথোকপা হৌখি হায়বগী মতাংদা অখঙ-অহে কয়ানা ইবা লাইরিক কয়াদা য়াওরি। য়ূমনামচা বুদ্ধিচন্দ্রনা ইবা 'ইমোইনু অহোঙবীগী তুংনফম' হায়বা লাইরিক্কী মতুং ইন্না ১৬/১৭শুবা চহীচাদা মণিপুরদা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা মায়চৌশিংগী পাউতাক মতুং ইন্না শগোল পাউজেল থাদুনা লৈবাক মীয়াম হুপ্না ইমোইনু অহোঙবীবু ঈরাত্তুনা লৈবাক চাকহোঙ ঙাহোঙনা, নুংঙাই-য়াইফনা, খুঞ্জাও-লৈচাউনা পানখি। অসুম্না থৌরম অসি মৈতৈ য়ূমথোঙ অয়াম্বনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঙমজবা হৈ-লৈ, ক্বা, অথুম-অহাও, ঙানচিংবা কয়া সনামহী লৈমরেল শিদবী অমসুং ফুঙ্গা লাইরু লাইরেম্বীদা কত্তুনা থৌনিজবনা থৌরম অসিগী মপূং ওইবা শরুকনি। নুমিৎ অসিদা য়ূমথোঙ খুদিংদা মৈরা থান্দুনা অমম্ববু অঙানবনা হায়বদি অচুম্বনা অরানববু অমসুং অফবনা ফত্তববু মাঙহনবগী ব্রাংলবা ব্রাখল্লোন অমগী মমি তাই। নুমিৎ অসিদা খৎন-চৈনবা তৌদনা পূক্নিং লৈতানা লাইরেম্বী লাইনীংথৌ অনীবু চেৎনা নীংদুনা লৈবগী ব্রাখল্লোন অসিনা খুন্নাই অমগী মরুওইবা শরুক ওইরিবা ইমুং অমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক পূকচেল-খোয়জেল তিন্ননা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নদুনা তংদু-লৈতানা হিংনবগী লম্বী অদু উৎলি।

থৌরম অসি মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা অশেংবা অচুম্বা পান্দম অদু ফংগে হায়রবদি ইমোইনুগী ব্রাংলবা ফীদম অমসুং ব্রাখল্লোন ময়েক শেংনা খঙবদা কান্নগনি। মী অমগী লমচৎ-শাজৎ অমদি তৌথোরকপা মওং মতৌ অদুগী মতুং ইন্না ইমোইনুগী থৌজাল ফংই হায়বগী অচেৎপা থাজবী অমা লৈ। মরম অদুনা মহাকপু লাৎচরিবা মীপূম খুদিংমক্না ফিদম্ন ফম ওইবা, ফজবা লমচৎ-শাজৎনা লৈতেং ওইবা মীশক অমা ওইগদবনি হায়বগী অকক্লবা চৎন-কাঙলোন লৈবগী মওং লৈ। চৎনরোলগী ব্রাংমদা লৈবা অমদি লমচৎ নাইদবা, থকসি-খাসি য়াওদবা মীওইশিংনা লাইরেম্বী অসিগী থৌজাল, মীৎয়েং ফংদে হায়বা ব্রাফম অমা লৈরম্বনা থৌরম অসিনা মীওইবগী অফবা লমচৎ শেমগৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌই।

মীওইবা অমা ওইবগী পাঙথোকফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদবা অমদি থবক থৌরম শীন্দোকপগী লৌশিং শীজিন্নবা ঙমদবা অমসুং নুমিৎ খুদিং অব্রাবগী শকফম উত্তুনা অতনবা হায়বা হৈনবী অদুনা নমহত্তুনা থল্লবা মীওইশিংগী য়ূমদা ইমাগী থৌজাল য়ৌবা ঙমদে। ব্রাখল্লোন অসিনা অনম-অহা চুরবা, থবক শূনীংদবগী হৈনবীনা লৈখা তানবগী মশক ওইরবা মীওইশিংবু মীৎকপ থোকহন্নবগী লম্বী অমা য়াৎলি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। নুপী-অঙাংদা নমজা-নমথেক্লবা মীওইশিংগী লমচৎপু লাইরেম্বী অসিনা য়াদে হায়না ফোঙদোকপা অসিনা নুপী ওইবীশিংবু অব্রাংবা থাক্তা ইকায়খুম্ননা থম্বগী ফিদম্নফম ওইরবা ব্রাখল্লোন অমা নুংদা লৈ। অদুগা লোয়ননা ফজবা লমচৎনা খুন্নাই অমা শেমগৎপগী মপূং ওইবা শরুকনি হায়বদু উৎলি। চাক চাবা তোক্লবা মতুংদা খূৎশা শেংদোকপা লোইরগা শেৎলি ইল্লিবা ফিরোলদা তৈশিন্দনবা পাউতাক কয়া য়াওরম্বা অসিনা ঈরাৎলোন অসিদা লূনা-নান্না, হকচাং ফনা চাবা-থকপা, তূম্বা-হীপ্পা পূম্নমক কাঙলোন অমগী মখাদা লৈনবগী ব্রাফম য়াওরি। অয়ূক-নুংথিলদা তৌগদবা থবক অমদি নুমিদাংদা তৌগদবা থবক হায়না খাইদোক্তুনা শিনথোং খঙনা শিল্লম শুনা থবক শূবনা চাওখৎপা অফবা পুরকই হায়বগী অচেৎপা ব্রাল্লোন অমা লৈ। য়াচংলকপা মতমদা তূম্বা, নুমিদাংদা শীং খায়বা অসিনচিংবা অসি ইমোইনু ঈরাৎ থৌরমগী ওন্ন-তৈনবা মওংনি। অমগী ব্রা অমদা তমদুনা অমগা-অমগা নুংশিনদনবা অমদি খৎন-চৈনবা থোকহন্দুনা ব্রাথোক লাম্থোক থোক্লবগী হৌরকফম মরু ওইরিবা মীওইশিং অদুবু লাইরেম্বীনা থৌজানবীদে হায়বগী ব্রাফম অমসুং থাজনবী অমা লৈরম্বা অসিনা মীপূম খুদিংমক নুংশি চান্ননা পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা, ঈংনা-চিক্লা, তংদু লৈতানা হিংমিন্ননবগী পাউজেল অমা পী। অদুগা লোয়ননা মীগী মপোৎ-মরল কল্লক-মীহৌবা অমসুং হুরান-চিন্থিগী ফৎত্রবা হৈনবী কয়া থাদোক্লবা ঈরাৎলোন অসিদা য়াওরি।

লৈবাক মীয়ামদা অকায়বা পীবা য়াবা লমচৎনা মপূং ওইবা থবকশিং অসিদগী তাইবঙ মীওইবনা লাপ্না থৈদোক্তুনা লৈবতা নত্তনা মরূ ফংনা মাঙহনগদবনি হায়বগী ব্রাখল্লোন লৈ। ইমোইনু লাইরেম্বীনা য়াদবা মীওইবগী লীচৎশিংগী মনুংদা এঞ্জাং-নাপি, চেঙ-হব্রাই, ঙানচিংবা চাম্বগী ঈশিং অমদি ঈরু মায়থজবা অমদি খোঙ-খূৎ হাম্বগী ঈশিং শুমাং মতোন্দা হৈদোকপা, মৈ থান্দনা চাক চাবা, চাক চানা-চানা খূৎ হামদনা থুমফু, চেঙফু, ঙারুবাক্লচিংবা পায়বা অমসুং চাক অরেম্বা অমুক হন্না চাবনচিংবা অসিনি। অসুম্না পূক্নিং হকচাং অমদি য়ূম ইঙ্খোলগী অকোয়বশিং লূনা-নান্না থম্নবগী লোনচৎ ফজনা উৎলি।

য়ূমগী মৌ অমা ওইবগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা হৌন-লোনচৎ কায়দনা লৈরিবী নুপীশিংবু ঙমই হায়বগী মওংদা ওৎপী নৈবিবা, ফূবা-চৈবনচিংবা মওং মরীল নাইদবা তমথীরবা থৌওং য়াদে হায়বা ব্রাখল্লোন অসিনা নুপী ওইবীশিংনা থেংনরিবা অব্রাবা, খুদোংথীবা কয়া পূন্না খঙমিন্নদুনা ব্রাখল তাননবগী পাউতাকনি হায়না লৌবা য়াই। লমচৎ নাইদবী, শৌ-শৌ লাউবী, মচা-মশু ব্রারকপদা মওং চুমদবী, চাক-এঞ্জাং থোংবদা, চাবা থকপদা হোরেন-হয়েংগী খাক্তবী নুপীবু ইমোইনুনা য়ানীংদে হায়না উৎলিবা ব্রাফম অসিনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন্দা থৌরম অসিনা মরুওইবা থৌদাং লৌই হায়বা য়াই। য়ূম অমা, ইমুং অমা শেমগৎপদা অচৌবা মফম কল্লিবা নুপীশিংনা ইনগদবা চৎন-কাঙলোন কয়া য়াওরিবা অমসুং অশেংবা অরূবা লমচৎনা মপূং ওইবগী ব্রাফম অসিনা মোরেল এদ্যুকেসন্দা অচৌবা ঈনোৎ অমা পী। নাউয়োক-নাউকোন হৈবী, কৈরোয়-লৈকায়গা নুংশি চান্ননা পুকচেল-খোয়জেল তিন্ননা লৈবী, অখাঙ কনবী, মীঙোন্দগী চেঙনি-ফৌনিদনা লেনবা ঙম্বী, পূক্নিং চেৎনা লূনা-নান্না লৈবী, ইমুংদা লৈরিবা লন-থুম, মাল-চাং, চেঙ, ফৌ য়াম্না চেকশিন্না মওং তানা অমসুং মফম নাইনা থম্বী, য়ূম্বানলোন খঙবী নুপীবু ইমোইনুগা পাংখক্নি হায়না থাজনৈ। অদুগা লোয়ননা মহাক্কী শায়োন কয়া হায়বদি লল্লৈমা, ফৌওইবী, ঙারৈমা, শৈল্লৈমা, য়ূমলৈমানচিংবা অসিনা লন-থুম, লৌশিং অমসুং পাঙ্গলগী তুংনফম ওইহল্লি।

অচুম্বা ঙাঙবা, মশাগী মরাল অতোপ্পদা থঙজিনবগী মহুত্তা মশানা য়াজবা, পূক্নিং ব্রারকপা ঙম্বা, লায়র অতোন-অতাশিংবু মীনুংশিগা লোয়ননা য়েংবীবা, থৌজাল হৈবা, ঙাকপী হৈবা, পূকচেল শেংবা, হায়খিবা ব্রা ঙাক্না চৎপা, অতোপ্পগী মরলবু মীহৌদবা, নুপা থোক্লা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বা, অহল-লমন মশক খঙবা, লৌশিং লৈবা, লমচৎ চুম্বা, ফত্তববু মায়োক্লবদা নোংশাগুম্না ইচং থৌবা, তন্দবা, মতমগী মমল খঙবা অসিগুম্বা মগুণ কয়ানা লৈতেংলবা মীওইশিং অদু ইমোইনুগী তুংনফমনি হায়না ফোঙদোকই।

পূম্নমক অসি নৈনরগা ইমোইনু ঈরাৎপগী থৌরম অসিগী ব্রাংলবা ব্রাখল্লোন অসি মমুৎ তানা মীপূম খুদিংমক্লা নৈনবা অমদি খঙমিন্নবা মথৌ তাই। মসিদা য়াওরিবা তম্নিংঙাই ওইবা লৌশিং কয়া লৌশিন্দুনা অমদি কাঙলোন কয়া অসি কায়দনা চৎলবদি মোরেল ফগৎহনবা অমদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মতেং ওইগনি। মসিনা থকসি-খাসি নাইদবা অমসুং মোরেল ব্রাৎপদগী নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা খুন্নাই অসিবু কনবদা মতেং খজিক্তং ওইরবসু পীবা য়াই। মরম অদুনা থৌরম অসিবু পূন্না খঙমিন্নদুনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা থৌদাং লৌবগী মতম ওইরে।

# লমখাংদা পুন্সি লোমখিবদি...-২

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

*চাওখৎপা* লৈপাকশিংদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী ওইবা হেলথ ইন্সুরেন্স, ফ্রী মেদিসিন্স অমদি নিংথিনা প্লান তৌরবা সোসল ব্রেলফ্যেরনচিংবা সিষ্টেমশিং অসিগী চৎনবী লৈতবনা ইন্দিয়া হায়রিবা লৈপাক অসিদা চহী খুদিংগী কেন্সরনা নারবা মীওই লাক্ষ লাক্ষতা লমখাংদা পুন্সি লোমখি অমদি লোন্লি লেপ্পা লৈতনা। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিদি অতৈ কনা নত্তে, মখোয় লায়রবা ইমুংগী মীওই ঙাক্তনি হায়বা য়াই। কেন্সর লায়েংনবা লুপা লাক্ষ লাক্ষ লৈতবনা মখোয়গী পুন্সি লোইখিবনি। মসিমক ওইদুনসু অচৌ অশাংশিং অসিগী থম্মোয়দদি থোইদোকপা নুংঙাইতবা অমদি অব্রাবা ফাওবগী মমি তাদে, হায়বদি মখোয়গী ইমুংশিংদা থোকপা নত্তবনিনা। অদুবু নোংমগী চরাফাওবা তান্দুনা চরা অনী শুনা চাবা ফংজদবা ইমুংশিং অসিদদি করম্না লাক্ষ লাক্ষ চঙদুনা কেন্সরনা নারবা মীওইদুবু লায়েংবা ঙমগদৌরিবা, ঙম্লোই। মরম অসিননি কনবা ঙমদনা কেন্সরনবু হেক নারবা অদুম পুন্সি লোইরে। কেন্সরদা নত্তে, অতোপ্পা লায়না কয়া অমসু লৈরি। ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী কেন্সরনা নারবা মীওই চাউরাক্লা লাক্ষ ১০ মুক দাইগ্নোস তৌদুনা খঙদোকপা ঙম্মী। মসিগী মনুংদা চাউরাক্লা লাক্ষ ৭ মুক্তি লায়েংবা ঙমদনা নৎত্রগা লায়েংবা ঙল্লবসু মতম চানা লায়েংহৌদবনা লায়নাসিদগী কনবা ঙমদনা পুন্সি লোন্লি চহী খুদিংগী। কেন্সর নাবগী চাংসি অসুম অসুম হেনগৎলকপগা লোয়ননা কুমজা ২০২০দদি ইন্দিয়াদা মীওই লাক্ষ ১৭ য়ৌগনি হায়না পানরি। মসিগী মনুংদা মীওই লাক্ষ ১০ হেন্না লায়েংবা ঙমদনা শিগনি হায়নসু পানরি। মীওই অসুক য়াম্না লায়েংবা ঙমদনা শিবগী মরমদি অহানবদা, শেল য়াম্না কা হেন্না চঙবা। কেন্সর পেসেন্ট অমা লায়েংবদা চঙদবা য়াদবা শেনফমসি লুপা লাক্ষ ২০গী মথক্তা চঙই হায়না পানরি। নোংমা নোংমগী তাংদুনা হিংনবা হোৎনজরিবা লায়রজবা ইমুংশিংদদি হায়রিবা শেনফম অসিদগী অসুক্কী মতিক ব্রাংখ্রে, কদাইদে লায়েংবা ঙমগদৌরিবা। মতেং পীরি হায়দুনা লাউরিবা অদুনদি করিবু মতেং পাংগদৌরিবা শিবা ঙাইবা নত্তনা। অনীশুবদা খূৎশু খূৎলায় শুনা থমদবা অমদি কেন্সরগী ওইবা সেন্তরশিং মতিক চানা লৈপাকসিদা থমদবনা টেষ্টিং অমদি দাইগ্নোস তৌবদা মতম চানা, থেংথদনা তৌবা ঙমহৌদবনা দাইগ্নোস তৌদুনা খঙলকপদদি অনাবগী থাকসি য়াম্না চঙশিল্লম্বা, হায়বদি টর্মিনেল ষ্টেজদা অয়াম্বনা থেংনবনা শেল লৈদুনা লায়েংবা ঙল্লবসু লায়নাসিদগী কলহৌবা ঙমদবা। অহুমশুবদা, লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা কেন্সরবু লায়েংবদা চঙলিবা খূৎশু খূৎলায়শিং হায়বদি কেমোথেরাপি, টার্গেট থেরাপি, রেদিএসন থেরাপি, সী টি স্কেন্নীং মেছিন অসিনচিংবশিং মশীং য়াম্না ব্রাৎনা লৈবনা মতম চানা লায়েংবা ঙমদবা, নংদবা অসিনি। খুদম অমা পঞ্জরবদা, হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ইন্দিয়াদা কেমোথেরাপি মেছিন অসি য়ামদ্রবদা ১,২০০ মুক্তি মথৌ তাবনি অদুবু শুপ্নতগী ৬০০মুক্তং লৈরি। অসিনদি কদাইদগী নংনগদৌরিবা। অসিগুম্বা ফংনদবা, কোন্নদবা ফীভম অসিনসু লায়েংবগী মমল তাঙখৎপগী মরম অমা ওইহল্লি। অদুগা অরোইবদা, কেন্সর লায়েংনবা সেন্তর হায়বদি কেন্সর লায়েংবা ঙম্বা কেন্সর ত্রিটমেন্ট সেন্তরশিং হোস্পিটালশিংদা হাপচিনবা। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি চাউখ্রবা লৈপাকসিদা শুপ্নতগী সেন্তর ৩১ খক লৈ হায়না থাজনৈ। অতোপ্পা ৪৯ অমসু হাপচিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ব্রেলফ্যেরনা লাউথোকখ্রে হায় অদুবু থবক ওইনা করম্বা মতমদা ওন্থোরক্কনি হায়বদি তম্বা ঙমদে।







য়াম্না থোইনদুম থমজনীংলিবদি পিকখ্রবা টাইব্রান হায়রিবা লমদম অসিদদি অচৌবা নেসনলগী থাক্তা কেন্সর লায়েংফম ১০ লৈবগী মথক্তা অতোপ্পা রিজনেল অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা কেন্সর লায়না খঙদোক্লবা অমদি লায়েংনবা (দাইগ্নোস অমদি ত্রিটমেন্ট) সেন্তর ১০০গী মথক্তা লৈ। য়াম্না নুংঙাইরিবদি, কুমজা ১৯৯৫কী মার্চ থাদগী হৌরগা আইলেন্দ অসিগী মীওই চাদা ৯৯দি লমদম অসিগী নেসনল হেলথ ইন্সুরেন্সনা কোভর তৌদুনা কেন্সর লায়না খঙদোকপা অমদি লায়েংবদা অচঙবা শেনফম লোইনা পুথোক্তুনা লায়েংলি। শম্না হায়রবদা, লায়ওং খঙদোকপদা, হোস্পিটালগী জেনরেল রুম অমদি কাদা লৈবগী, অচঙবা হীদাকশিংগী, লায়েংবদা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং শীজিন্নবগী ফীশিং, ওপরেসন তৌবগী পূম্নমক অসি টাইব্রান লৈঙাক্কী নেসনল হেলথ ইন্সুরেন্সনা লোইনা পুথোকই। ঐহাক ইশামক্কী লিম্ফোমা কেন্সরনা নাবদা দাইগ্নোস তৌবা, এক্স-রে লৌবা, সী টি স্কেন, ব্লদ টেষ্ট তৌবা (য়াম্না তোয়না তৌই মরু ওইনা হ্বাইট ব্লদ সেলগী লেভেল য়েংনবা), ওপরেসন তৌবা, লায়েংবা (কেমোথেরাপি, টার্গেট থেরাপি, রেদিএসন থেরাপি) অমদি হীদাক্ল চিংবদা অচংবা শেনফম খুদিংমক নেসনল হেলথ ইন্সুরেন্সনা লোইনা পুথোকপীবনি, অদু নৎত্রদি ঐহাকসু অসুম অব্রাফমদা তারমগনি অচঙবা শেনফমশিং অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা। অদুবু ঐখোয়গী ইরমদমমদদি কদাই। মীওই অয়াম্বনা টাইব্রানদা লৈরিবা মীগুম ইকনমিক মিদ্দল ক্লাস অমদি অপ্পর ক্লাসতা লৈবগুম লৈবসু নতে। অয়াম্বনা পোবর্টি অমদি পোবর্টি লাইনগী মখাদা লৈবনা অয়াম্বনি। মসিগী মথক্তা হেলথ ইন্সুরেন্সনা কোভর তৌবীদুনা লায়েংবদা অচঙবা শেনফম পূম্নমক পুথোকপদি লায়রদনা লুপা অমফাওবা পুথোকপীনবগী থৌরাং লৈবা পোৎ নত্তে। অদুনদি করম্না অসুক য়াম্বা শেনফম অসিবু পুথোক্তুনা লায়েংবা ঙমগদৌরিবা। ঐহাকসু করিগুম্বা ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈরম্বা থোক্লবদি মতম চানা লায়ওং খঙদোকপা ঙম্বদনা অসুম শিবা ঙাইরম্বসু য়ারিপোৎনি। লায়েংবমক ঙম্মে হায়না খল্লবসু টর্মিনেল ষ্টেজদা ওইনা খঙলত্তুনা লায়েংবদগী ফরকপা ঙমদনা অদুম শিখিবসু য়ারিপোৎনি। অসিগুম্বা অফবা সোসল ব্রেলফ্যের অসি ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈরমদবনা ইরমদমগী মীওই কয়া লমখাংদা পুন্সি লোন্লি লেপ্পা লৈতনা। মরুওইনা নৌজরিবা অঙাংশিংনা মখোয়গী পুন্সিগী মহাওফাও তংবা হৌদ্রিঙৈদা মপা মমাবু থাদোক্তুনা চৎখিবদি অসুক্কী মতিক থম্মোয়সে পুঙমদে, চৈনা ফাওই মপা অমা ওইনা। অদুবু করি উপাই লৈরি তেংথাবা নত্তনা তৌবীবা ঙম্বা লৈপাক্লা অমদি লুচিংবশিংনদি তৌবীদনা। মসি হায় হায়দুনা লম্বী অমত্তা লৈত্রবরা হায়বদি নত্তে। মখাদা থমজরক্কে।

লোইশিল্লকপদা, ইরমদমগী অতোন-অতা, লায়রজরবী ইমুং কয়া অসিগী তুংগী ওইবা পুন্সিগী খোঙচৎপু খল্লুবদা তশেংনা থম্মোয়সে মীপাইদবা, ব্রাদবদি ঙমদে। করম্বা মতমদা টাইব্রানগুম্বা লৈপাকশিংদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অসি ফংদুনা কেন্সরনা নারবা মীওইশিংনা পুন্সি মতোন লোম্না মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগা মোমোন মীনোক তম্না হিংজবা ঙমজগনি? ইন্দিয়াগী অসুক্কী মতিক তপ্না মাঙদা চঙশিনবা অসি য়েংলুরবদি অসিগুম্বা মতমসি লাকপু লাক্তৌ মান্দ্রেদা। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা লৈরুবনিনা ইন্দিয়াদা হান্না অসিগুম্বা ব্রেলফ্যের অসি লাক্তনা কমাইনা ইরমদম কংলৈপাক্তা য়ৌরক্কদৌরিবনো? মরম অদুনা ঐখোয়না তৌবা য়াবা হায়ববু, হকচাং শাজেল তৌদুনা, অঙম্বা অফবা চিঞ্জাক চাদুনা, ফত্তবা হৈনবী অমদি লমচৎশিংদগী লাপ্পা লৈদুনা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্তুনা হিংবা নত্তনা অতৈ লম্বী অমমুক লৈত্রে হায়বসি কাউফদে ইরৈচাশিংনা। অসুক চেকশিন্না শোকহৈদবা চিঞ্জাক অমফাওবা শোক্লদনা শাজেল তৌজবা, ইচম চম্না হিংজবা ঐহাক্কী ইফমদফাওবা কেন্সর হায়রিবা লায়নাসিনা চোঙশিন্দুনা নাহনবীরকানসিদা চেকশিন্দবা কয়াগী মফমদদি করি ওইগনি। করিগুম্বা অসিগুম্বা লায়ওং অসিনা নারকপা থোক্লবদি য়াম্না অব্রাবা তাগনি। ইশা ইতোমতা ব্রাজবতা নত্তনা ইমুং মনুং পূম্নমক্তা অব্রাবা পীগদৌরিবনি, কায়নবগী মৈশা পীরমগদৌরিবনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা কাউফদে। মরম অদুনা নাদ-য়েক্তুনা লৈনবা হোৎনবনা খ্বাইদগী অফবা লম্বী ওইগনি হায়বসি ইরৈচাশিংনা কাউফদে। "Precaution is better than cure" হায়বসি নীংশিংসি ঐখোয়। নারকান্দা শেল য়াম্না তিংনা, ব্রানা (অঙম্বা কাঙবুগী), হিংগনি হায়বসু ঙমদবা ফীভম য়ৌরক্ত্রিঙৈদা নাদ্রিঙৈদা নাদনবা চেকশিলহৌসি শেল ইতিং তিংদবিদা হকচাং শাজেল তৌদুনা, অফবা চিঞ্জাকশিং চাদুনা। Health should be given the first priority. হকচাং ফবনা লননি কাউফদে।

মরোল থোকপা লাই

